# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 05-09-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ওজাগী নুমিৎ পালন ঙসি মণিপুরদা রাজ্যগী শিক্ষা বিভাগনা শিন্দুনা ওজাশিংগী নুমিৎ পালন পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি।

২) অসাম রাইফলসকী দাইরেক্তর জেনেরেল, লেফটনেন্ট বিকাস লাখেরানা কুকিশিংনা লান্দারকখিবা কৌত্রুক্কী মফমশিংদা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি সিঙ্গাপুরগী প্রধান মন্ত্রি লোরেন্স ৱোংগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

------

টিচর্স ডে (এল)ঃ ওজাগী নুমিৎ পালন ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্কনি। মণিপুরদসু রাজ্যগী শিক্ষা বিভাগনা শিন্দুনা ওজাশিংগী নুমিৎ পালন পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা খনগৎলবা ওজাশিংদা ষ্টেট টিচরস এৱার্দশিং য়েন্থোক্কনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল লক্ষ্মন প্রসাদ অচারিয়া অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা লুচিংবা কয়ানা ওজাশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরক্নি।

আইআইটি (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৌত্রুক অমসুং কদাংবন্দদা দ্রোন বোম্বিং তৌদুনা চথখিবা এটেক অদুগী মতাংদা থিজিনবদা ইন্দিয়ান ইন্সটিটুট্যট ওফ টেকোলোজিগী প্রোফেসার অমা মণিপুরদা লাক্কুনা মতেং পাংগদৌরি।

এটেক অদুগা মরী লৈননা থিজিন্নবা মীওই মঙানা শাবা অৱাংবা থাক্কী কমিতি অমা শেমখিবা লৈরে। কমিতি অসিদা মণিপুর পুলিসকী এদ্দিসনেল দি.জি.পি (ইন্তেলিজেন্স)না চেয়ারমেন ওইরি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসকী দাইরেক্তর জেনেরেল, লেফটনেন্ট জেনেরেল বিকাস লাখেরানা কুকিশিংনা লান্দারকখিবা কৌত্রুক্কী মফমশিংদা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা হৌখিবা চহিগী মে ৩ দগী মণিপুরদা থোরকখিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা মফম অদুদা দিপ্লোই তৌরিবা অসাম রাইফলস য়ুনিতকী কম্মান্দরগসু উন্নখি। লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং এরিয়াদসু দি.জিনা হকথেংননা চত্তুনা মফম অদুগী ফিভম য়েংশিনখি হয়রি।

মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা মেজর জেনেরেল রভরুপ সিংহসু শরুক য়াখি।

রেল্লি (এল)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রো শিজিন্নদুনা মীতৈ খুলশিংদা বোম থাদদুনা এটেক তৌবা য়ানিংদে হায়না ঙরাং নুমিদাং মোইরাংদা মাইকৈ অদুগী মৈরা পায়বীশিংনা মৈরাগা রেল্লি চৎখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা তম্পাক্তা কোম্বিং ওপরেসন তৌবা য়ারোই, য়ুনিফাইদ কম্মান্দ চীফ মিনিষ্টরদা শিন্নগদবনি হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

গর্ভনর (এল)ঃ মণিপুরগী রাজ্যপাল লক্সমন প্রসাদ অচারিয়ানা ঙরাং নিউ দিল্লিদা কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দাগা উন্নদুনা রাজ্য অসিগী হকশেলগী তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা রাজ্যপালনা রিমস ইম্ফালবু ইন্সটিটুট্যট ওফ নেসনেল ইম্পোরটেন্স ওইহনবীয়ু হায়না তকশিনখি।

এমআর (এল)ঃ  চান্দেল জিলাগী লৈকুনদা লৈবা ৮ শুবা মণিপুর রাইফলসকী রাইফলমেন অমা মশাদা ইসু তৌবা নোংমৈনা কাপশিঞ্জবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। থৌদোক অসি হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৯ মখায়রোম তাবা মতমদা ৮ শুবা এম.আরগী কমপ্লেক্সতা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা রাইফলমেন অদু চান্দেলগী চরাংচীং খুনৌদগীনি হায়রি।

পুলিস (এল)ঃ      সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী অমদি চুরাচান্দপুর জিলাগী মফমশিংদগী য়াল্লবা খুৎলায়শিং ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, সি.আর.পি.এফ অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং কাংপোকপীগী কে. পোলেনদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা য়াল্লবা খুৎলায়শিং ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদা- মেগজিনগা লোয়নবা সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী এস.এল.আর অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, ইম্প্রুভাইস মোর্তার অনি, রেদিও সেট অহুম, দিতোনেতর ২৯, এস.এল.আরগী কাপ্পা য়ারিবা মরু অহুম য়াওরি।

অমরোমদা, চুরান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, বি.এস.এফ অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবুনা চুরাচান্দপুরগী সেলমাটকী অকোইবা মফমশিংদগীসু খুৎলায়শিং ফাগৎখি। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মজল লোদ্দিং গন অনি, তুয়েল্ব বোর কাত্রিজ ৭ অমদি রেদিও সেট অমা য়াওরি। সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথুবা অদুদা মীওই ৩১৪ রোম মশাগী শক্তাক চে পুথোকহন্দুনা মশক খঙদোকখি।

এআর (এল)ঃ   অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা থৌবাল জিলাগী হৈরোক্তা নহাশিংগী ওইবা উ শুবা অমদি ইলেক্ত্রিক্কী পোৎলমশিং শেমজিন শাজিনবগী ত্রেনিং অমা পাঙথোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা ত্রেনিং অসিদা শরুক য়াখিবা নহা ৪২ অদুদা শিনফমশিং অসিগী মরী লৈনবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, চান্দেল জিলাগী কনখু ড্রগ রিহেবিলিতেসন সেন্তরদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা হেলথ চ্যেকঅপ কেম্প অমদি কাউন্সেল্লিং চথখি। লোয়ননা কেম্প অদুদা আগিবির কেন্দিদেটশিংগীসু হেলথ চ্যেকঅপ পাঙথোকখি। লমদম অসিদা শান্তি পুরকবগী পানদমদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা পল্লেল পুলিস ষ্টেসনগী ও.সিগা লোয়ননা মৈরা পায়বী, পোৎফম ফম্বশিং, ভিলেজ চীফশিং অমসুং খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। অদুগা চুরাচান্দপুর জিলাদনা বি.এস.এফ অমসুং আই.টি.বি.পিগী কম্মান্দরশিংগা লোয়ননা অসাম রাইফলসনা সেক্যুতি মিট অমা ফমখ্রে।

ঙা (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফিসরি ওফিস থৌবাল অমসুং ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স)কা খুৎশমদুনা ঙরাং থৌবালগী তোঙান তোঙানবা অচৌব পুখ্রি ১৪ দা ঙা মচা লিশিং ৬০ রোম থাদখ্রে।

রাজ্যগী ফিসরি বিভাগনা মণিপুরদা ঙাগী পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকবা অমদি ঙামীশিংগী শেনমিৎলোন ফগহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা ঙামচাশিং অদু থাদখিবনি।

বুক (এল)ঃ রাজ্যগী ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্সকী দাইরেক্তর ডাঃ টি.ঐচ. চরনজিৎনা ঙরাং নোংশাবা হায়বা জরনেল অমা ফোংখ্রে। জরনেল অসি নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দি.আই.পি.আর ওফিস কমপ্লেক্সকী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোংখিবনি।

নোংশাবা জরনেল অসি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা পুথোকপা অমদি শলাম বিমোলা দেবীনা ইদিট তৌবা জরনেল অমনি। জরনেল অসি ফোংবগী থৌরমদা ক্ষেত্রিময়ুম শান্তা, দি.আই.পি.আরগী জোইন্ট দাইরেক্তর তোংব্রম রোমেশ শরুক য়াখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি সিঙ্গাপুরগী প্রধান মন্ত্রি লোরেন্স ৱোংগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নগনি। প্রধান মন্ত্রি লৈবাক

অনিগী খোঙচৎতা ঙরাং সিঙ্গাপুরগী লাইওন সিতিদা থুংখ্রে। মহাকা সিঙ্গাপুরদা থুংবা মতমদা লৈবাক অদুদা লৈবা ইন্দিয়ান কম্যুনিতিশিংনা হরাউ তয়ামা ওকখি। লুচিংবা অনিনা ঙসি উন্নগদৌরিবা অসিদা লৈবাক অনিগী লৈনরিবা রিজনেল অমদি গ্লোবেল ইসুশিংগী মতাংদা কুপা খন্নগনি। লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সিঙ্গাপুরগী রাষ্ট্রপতি য়াওনা অতে লুচিংবা কয়াগসু ৱারী শান্নগনি। মসিগীসু মথক্তা সিঙ্গাপুরদা লৈরিবা কম্পনিশিংগী সি.ই.ওশিংগসু উন্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৌত্রুক অমদি কদাংবন্দ এরিয়াদা নোংমাইজিং নুমিৎতা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চখুরকখিবা দ্রোন বোম্বিং অদুগা মরী লৈননা থিজিন হুমজিন্নবা দিল্লিগী আই.আই.টিগী প্রোফেসার ইম্ফালদা য়ৌরকখিবগী পাউ, রাজ্যগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগা মরী লৈননা বি.জে.পিগী লুচিংবা সম্বিৎ পত্রগী মণিপুর খোঙচৎকী পাউ অসি পাউচে অয়াম্বদা অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরে।

দ্রোন বোম্বিংগা মরী লৈননা দিল্লিগী আই.আই.টি প্রোফেসার অসি ইম্ফালদা য়ৌরকখিবগী পাউ অসি পোকফম অমদি মণিপুর নিউজ পাউচেশিংগী অহানবা লমায়গী অহানবা পাউ ওইরি। পাউ অসি পোকফম পাউচেদা- মণিপুরগী দ্রোন এটেক থিজিনবদা আই.আই.টি দিল্লিগী এক্সপার্টনা মতেং পাংগদৌরি হায়না হেদলাইন তৌরি।

বি.জে.পিগী লুচিংবা সম্মিৎ পত্রগী মণিপুর খোঙচৎকী পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন অমসুং পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরে।

রাজ্যগী ওইরিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা কংগ্রেসকী লুচিংবা মালিক আর্জ্ন খরগেনা থমখিবা ৱারোলগা মরী লৈনবা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়গী অহানবা পাউ ওইনা- প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরগী মীয়াম ঙাক শেনবা ঙমদ্রে : মালিক আর্জ্ন খরগে হায়না ফেংলি।

কৌত্রক্তা কুকি মিলিটেন্টশিংনা লান্দারকপদগী লৈখিদ্রবী শুরবালাগী মীশিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিগা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নখিবগী পাউ অমদি অসাম রাইফলসকী দি.জিনা কৌত্রক্তা চত্তুনা খুঞ্জাশিংগা উন্নখিবগী পাউ অয়াম্বা পাউচেশিংদা ফোংবা থেংনরি।

কেন্দ্র সরকারগা ত্রিপুরাগী লালহৌবশিংগা শান্তিগী ৱারী শান্নবা য়ান্নচে সহি তৌনখিবগী পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পিপলস ক্রোনিকল পাউচে অনিসিগী অহানবা লমায়গী অহানবা পাউশিং ওইরি।

ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীগী নাগালেন্দগী শরুক্তা চীং নীংখায়বদা মীওই ৬ শিখিবগী পাউ পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমায়দা ফোংনরি। পাউ অসি সনালৈবাক পাউচেদা অনিসুবা হেদলাইন ওইনা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী চীং নীংখায়বদা মীওই ৬ শিখ্রে, লম্বী ফাওনখিদ্রে, নাগালেন্দ লৈঙাকা বাই পাস লম্বীশিংদা গাড়ি অচৌবা চৎপদা অথিংবা থমখ্রে।

রাজ্যগী দিরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর)দা থবক লৌবদা অরান অহুই তৌরে হায়দুনা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলক্লে হায়বগী পাউ অমা পাউচে অহুম- হুইয়েন লানপাউ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমদি ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরে। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা- দি.আই.পি.আরগী ষ্টাফ লৌবদা চৈ কানবা থবক চত্থদুনা মনিং থোঙদগী লৌবা মীওইশিং য়াওরব্রা, আর.টি.আইগী পাউখুম ফংলবা মতুংদা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলক্লে হায়বা হেদলাইনদা ফোংলি। পাউ অসিদা চহি অসিগী মার্চ ১৪ দা হায়দোকখিবা দি.আই.পি.আরগ ইনফোর্মেসন এসিষ্টেন্টকী রিটর্ন টেষ্টকী মার্ক পীবদা অরান অহুই তৌরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈবদগী কোর্টতা ৱাকৎলকখ্রে। কোর্টনা মথংগী হিয়ারিং মথং থাগী ৭ তা চত্থনবা লাউথোকখ্রে হায়না ইরি।

দি.আই.পি.আরগী থবক লৌবগী ৱাথোক্কী পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা দি.আই.পি.আরগী রিক্রুটমেন্ট: আর.টি.আই থারুবদা ওইথোক্লোইদবা মার্কশিং ফংবা থেংনরে হায়বা হেদলাইনদা অহানবা লমায়দা চাউনা ফোংলি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেলদা- তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট বিল্ডিং মণিপুর হাই কোর্টকী চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শঙ্গাখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- নেসনেল হাইৱে-টু কোহিমা-দিমাপুর লম্বী পরিংদা চীং নীংখায়বদগী মীয়ামা পাখৎতুনা পোৎ চৈ লৈশিন্নবা হৌখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------